## কোংগোদা হি লুপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ১৪০ শিখ্রে

*কিনসারা, জুলাই ২৯ (এ এফ পি): দেমোক্রেতিক রিপব্লিক ওফ কোংগোগী নোংচুপ লমদমদা হি লুপ্পগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৪০ শিখ্রে হায়না ওফিসিএল ওইবা পাউ অমনা হায়রি।*

*কোংগো তুরেলগী মশা ওইরিবা কসাই তুরেলদা হি অদু থা ওনখি। থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৪০ শিখ্রে হায়না বন্দুন্দু প্রোভিন্সকী গভর্নরগী ওফিসনা ফোঙদোকখি। হি অদু পেসেঞ্জর অমদি মাল কয়া হাপ্তুনা বন্দুন্দুদগী কিমি ৩০ রোম চৎলগা লৈবা মুসিদগী হোল্লকখিবনি। হি লুপ্পগী থৌদোক অদুগী মতুংদা ক্রাইসিস মিতিং পাঙথোকখ্রে হায়না পাউগী লিখুন অদুনা হায়খি।*

*দেমোক্রেতিক রিপব্লিক ওফ কোংগোদা তুরেলগী লম্বী অসি পাক শন্না শীজিন্নরি। লৈবাক অসিগী অঙকপা ফংনা য়াল্লবা ঈশিংগী লম্বীশিংগী মনুংদা কিলোমিতর ৪,৭০০ শাংবা কোংকো তুরেলগী লম্বী য়াওরি। লালহৌবগী ইরাংসু কল্লিবা লৈবাক অসিদা তুরেলগী লম্বী অসি য়াম্না কুংবা লম্বী ওইরবসু তোয়না ঘতনা থোক্লি। রুতশিং অসিদা অনম্বা মতমদা হিশিংদা মী কা হেন্না তোংশিনবা মরম্না লাইবক থিবা থৌদোক কয়া তোয়না থোক্লি।*

## অৱাং নোংপোক্তা মাইনোরিতি কম্মিসনশিং শেম্নবা খঙহনখ্রে

**সিল্লোং, জুলাই ২৯ (পি তি আই):** মাইনোরিতিশিংগী য়াইফ অমদি চাউখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎনবগী মাঙজিল থাবা এজেন্সি ওইনা থবক তৌবা ঙম্নবগীদমক অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা মাইনোরিতি কম্মিসনশিং শেম্নবা নেসনেল কম্মিসন ফোর মাইনোরিতিজ (এন সি এম) গী ভাইস চেয়রমেন ঐচ তি সাংলিয়ানানা খঙহনখ্রে।

অৱাং নোংপোক লমদম অসিদা পেনেল লিংখৎলিবসি আসাম রাজ্য খত্তনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা সাংলিয়ানানা প্রাইম মিনিষ্টরগী অনৌবা পোইন্ত ১৫গী ওইবা মাইনোরিতিশিংগী য়াইফ থৌরাং খোঙজেল য়াংনা পায়খৎনবগীদমক রাজ্যশিংনা মতীক চাবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়না খঙহনখি।

মাইনোরিতিশিংগী সমস্যাবু হেন্না নিংথীনা খঙনবা অমসুং দরকার ওইবা কয়া ফংহন্নবগীদমক নেসনেল কম্মিসন ফোর মাইনোরিতিজ অমসুং রাজ্যশিংগী মরক্তা হেন্না নিংথীনা পাউ ফাওনবা পান্মী হায়না সাংলিয়ানানা হায়খি।

ঙরাং মেঘালয় সরকারগী সেনিয়র ওফিসিএলশিংগা উন্নবদা এন সি এমগী ভাইস চেয়রমেন অসিনা রাজ্য অসিদা তোঙান তোঙানবা স্কিম পায়খৎপগী মতাঙদা থিজিন হুমজিনখি হায়রি। মহৈরোয়শিংদা স্কোলরসিপ পীবা অমদি ওল ইন্দিয়া সিভিল সার্বিসেস একজামিনেসন থাবা কেন্দ্রিদেতশিংদা পীবা পুক্লিং থৌগৎনবগী পেকেজকী ৱাফমশিং মীফম অদুদা খন্নখি হায়রি।



মিচিগানগী মার্সেল লমদমদা মশা পুন্থা থাউনা পুমতৈ তৈরবা কানাদাগী কাংঙ অমা কালামাজু তুরেলদগী পাইখৎনবা হোৎনরি। থাউ পাইপলাইন কায়দুনা থা গেলুন ৮৭৭,০০০ রোম হাদোরকপদগী তুরেলগী ফিভম শোকহনখ্রে হায়রি।

## অতিক খান্না পোক্কী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখ্রে

**ইস্লামাবাদ, জুলাই ২৯ (পি তি আই):** পি পি পিনা লুচিংবা পাকিস্তানগী ফেদরেল সরকারনা পাকিস্তান ওক্কুপাইদ কাশ্মীর (পোক) লমদম অসিদা খুৎ থিঞ্জিল্লি হায়না মরাল শীরদুনা পোক্কী প্রাইম মিনিষ্টর রাজা ফারুক হাইদরনা ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা মুস্লিম কনফরেন্সকী সেনিয়র লিদর সরদার অতিক অহমদ খানবু ঙসি পোক্কী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা খনখ্রে।

পোক্কী কোনুং মুজাফারাবাদতা লৈবা মেম্বর ৪৯গী এসেমব্লিদা ভোত লৌনবদা খানগী মায়কৈদা ভোত ৩৯ তাদুনা ইলেক্ত তৌখিবনি। মহাকসি হৌখিবা চহী ৪সিদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম পায়বা মরীরক শুবা রাজনীতিৱালা ওইরি।

রাজা ফারুক হাইদরনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা রিজাইন তৌখিবা মরম্না অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর খনবা হায়বসি তঙাই ফদবা অমা ওইরকখি। হাইদর অসিসু মুস্লিম কনফরেন্সকী লুচিংবনি। অদুবু পার্তি অসিগী মিনিষ্টর ১৮না ইরাং হৌরক্তুনা হাইদরগী পোলিসিশিং য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা রিজাইন তৌখি।

রাজা ফারুক হাইদরনা পাকিস্তানগী পি পি পিনা লুচিংবা ফেদরেল সরকার অসিনা পোক্কী ওইবা থবক থৌরমদা খুৎ থিঞ্জিল্লি হায়না মরাল শিরি। ইরাং হৌরকখিবা মিনিষ্টরশিংনা মখোয়গী মচাশিং অৱাংবা ফম পীয়ু অদুগা মরী মতাশিংবু জজ ওইনা হাপ্পু হায়বনচিংবা য়াবা ঙল্লোইদবা দাবী কয়া তৌরকখি হায়না ফারুক হাইদরনা ফোঙদোকখি। হাইদরনা তৌখিবা চার্জ অসি ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর কামর জামন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

## আসামগী মোরিগাওদা খঙহৌদবা ঈচাউ থোক্লে

**মোরিগাও (আসাম), জুলাই ২৯ (পি তি আই):** সেন্ত্রেল আসামগী মোরিগাও দিষ্ট্রিক্তা ঙসি খঙহৌদনা ঈচাউ থোরকপদগী মীওই কয়ামরুম অৱাবা তাখ্রে হায়না ওফিসিএল ওইবা পাউ অমনা হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী জ্যোতিমারি, কাছারিগাও অমসুং বাগারিমারিদা ব্রহ্মপুত্র তুরেল পাঙথোরকপদগী ইমুং ১০০ রোম অৱাবা তাখ্রে। ময়ূম-মকৈ তাক্লবা মীওই কয়ামরুম হৌজিক অৱাংবা মফমদা চেনখত্তুনা লৈনরি। অৱাবা তারবশিংগীদমক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না রিলিফ ওপরেসন হৌখ্রে হায়না পাউগী লিখুন অদুনা মখা তাখি।

মখা তানা নোং চুথরকপা তারবদি খুঙ্গং অহুম অসিদা ঈচাউগী ফিভম হেন্না শোকচিল্লক্কনি হায়না মীপাইরি। তুরেলগী ঈশিংনা লৌবুক কয়াসু পাক শন্না থুমজিনখ্রে হায়রি।

## সি বি আইবু মশাগী মথৌ তৌহল্লু : কংগ্রেস

**নিউ দিল্লী, জুলাই ২৯ (পি তি আই):** গুজরাতকী সোহরাবউদ্দিন সৈখ ফেক এনকাউন্তরগী কেস মতাঙদা রাজনীতিগী ওইবা মওংদা খুৎ থিঞ্জিনবগী থবক তৌরোইদবনি অদুগা সি বি আইবু মশাগী থিজিন হুমজিনবগী থবক মপুং ফানা লোয়শিনবা ঙমহনগদবনি হায়না ঙসি কংগ্রেস পার্তিনা ফোঙদোকখ্রে।

সুপ্রিম কোর্তকী মীৎয়েং মখাদা সি বি আইনা কেস অসিগী মতাঙদা থিজিন হুমজিনবগী থবক চৎথরি। ঐখোয়না থবক পুম্নমক সি বি আইদা শিন্নথোকসি অদুগা রনজীতিগী ওইবা খুৎ থিঞ্জিনবগী থবক তৌরোইসি হায়না কংগ্রেসকী লিদর ওইরিবা রাজিব সুখলানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

থৌদোক থোকপা মতমদা গুজরাতকী চীফ মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অসি হোম মিনিষ্টর ওইখিবা মরম্না মহাকসু ৱাহং পাউহং তৌগদ্রা হায়না হংবদা সুখলানা সি বি আইগী ইনক্বারি ঙাইখিসি হায়না ফোঙদোকখি।


### VACANCY

**POST :- MANAGEMENT TRAINEE**

Training Period :- **5 Months** — Education : **10+2 and above**

Salary :- **Attractive Fixed Salary** — Time :- **10.00 a.m. to 5 p.m.**

**TIMES INTERNATIONAL,**
**Opp. NirmalabasHigh School, M.G. Avenue, Imphal**

Pk/79762/126to30

### WANTED TEACHERS

| No. of Post | Subjects | Qualification |
|---|---|---|
| 1 (One) | Mathematics (Asstt. Teacher) | B.A. or B.Sc. (Maths) |
| 1 (One) | Hindi (Asst. Teacher) | Hindi Ratna |

The application forms of the above posts can be obtained from the Radhesana English School, Keishampat Leimajam Leikai, Imphal. Last date of completed application forms will be on or before 02/08/2010.

Sd/-**Principal, RES**

Pk/79808/29,30&31st — Contact :- 9774372807/9856268123

### CBSE/COUNCIL STUDY CENTRE

CSC

**Affiliated to CBSE, Delhi/COHSEM**
**Chingmeirong (Khongnang Ani Karak), Imphal**

***POST VACANT***

No. 2/CSC/Appt/97- Application is immediately wanted to appoint the Lecturer in the morning shift as the following :

1. **PHYSICS** - 1 No., 3. **BIOLOGY** - 1No.
2. **CHEMISTRY** -1 No. 4. **MATHEMATICS** - 1 No.

Pk/79815/29,30&31st — Sd/- **Administrator**

### ADMISSION OPEN

**XI & XII Sc FOUNDATION COURSE**

JOIN NOW! CLASS STARTS ON 19 AUGUST 2010

For details : **ZEALOUS ACADEMY**

Thangmeiband Opp. THAU Sports Complex

☎ 9206326317/9856024442

Pk/79779/27x20days

### SCHOOL OF COMMUNITY NURSING

RDO Lamsang, Manipur

**Application are invited for**

**FEMALE HEALTH WORKER/ANM**

**Eligibility - X Passed, Age - upto 28 years.**

**Seat - Limited** — **Duration - 1 $^{1}/_{2}$ years.**

For details and admission contact with relevant documents.

Pk/79814/29&30th — Sd/- **Th. Chaoba Leima, Principal, FHW**

### HAIR ARTISTIC TEAM



**Moirangkhom Loklaobung,**
***Opp. The Blossom School***

**ADMISSION OPEN**

**A VOCATIONAL COURSE FOR HAIR DRESSING & DESIGNING**

Duration - **3 Months**

***(Hurry Limited Seats!)***

*Contact* - **Yohen Leishangthem**

Pk/79847/29,30&1st

### পুক্লিংগী অৱাবা, অকিবা, থৱাই নুংঙাইতবা কোকহল্লি

Tensicalm : Converts Tension to Calmness in Natural Way -Total Remedy for Anxiety, Insomnia, Mental Stress, Depression, Irritability, Loss of Memory:

অকি-অখংদগী পাখৎপা, থুক্কৎপা, কিবা, থৱাই ৱাবা, কোক শাবা, মিহুন কাইনা চোংবা, নিংবা কাইবদগী থৱাই নুংঙাইতদুনা তুম্বা য়াদবা, চাবা য়াদবা, ঙাওচৎনবা, নাওশোন্নবা, খোয়রাং খোয়শাওনবা, ইকাইবা, অৱা-অনা নংবদগী ৱামল্লদুনা ৱাখল লৌশিং থোক্তবা, ফুম্বংনবা, কাওগনবা ৱাখল লায়নানা হকচাং শোকহল্লকপা, অকিবনা চমম্নবা পোকলকপদা লায়েংহৌদ্রবদি শিংলি-নাওরি শোন্থরক্তুনা হকচাং মাংহল্লকই। নোংমগী TENSICALM Capsule অনীরক নুমিৎ তরামঙানি চারবা মতুং অমুক নোংমগী কেপসুল অমমম থা অনী চুপ্পা চারবদি পুক্লিংগী অৱাবা, অকিবা, থৱাই নুংঙাইতবা পূম্নমক কোকহল্লি, অকি তুজুংবা পোকহন্দে, বি. পি. হায়গৎহন্দে, ঈংনা-তপ্পা পুক্লিং হকচাং নুংঙাইহল্লি। TENSICALM Capsule মতম শাংথনা চারবসু সাইদ ইফেক্ত অমত্তা লৈতে। TENSICALM Capsule ফার্মাসিদগী ফংবীগনি।

### থীয়েটর ৱার্কশোপ পাঙথোক্লগনি

খোরিফাবা আর্টিষ্ট এসোসিএসন, নম্বোলনা শিন্দুনা ৱান মন্থ নন-রেসিদেন্সিয়েল থীয়েটর ৱার্কসোপ ওন এক্টিং এন্দ থীয়েটর ক্রাফটস" লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎ আগষ্ট তাং ১৬, ২০১০ ইংদগী হৌদুনা পাঙথোক্লগনি। মসিদা মণিপুরগী থীয়েটরগী শক্লাইরবা কয়ানা তাকপী-তম্বীবগী থৌদাং লৌবীগনি। মরম অসিনা চহী ১৫-২৬ ফাওবগী নহা ওইরিবা য়াওবীনিংবশিংনা এসোসিএসনগী ওফিস্তগী অয়ূক পূং ৭ তগী ১০ ফাওবগী মনুংদা অকুপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি।

খঙহঞ্জরিবা - কেঐচ. রনবীর সিংহ, সেক্রেটরি, খোরিফাবা আর্টিষ্ট এসোসিএসন, নম্বোল বজার (মোংজিং), ফোন -৯৮৫৬০৮৬৩৬১

পিকে/৭৯৮২১/২৯,৩০

### নুপীগী ফিঙৌ-চৎপা (White Discharge) ফহল্লি

**"Lucoban-S: Total Ban of Leucorrhoea"**

নুপীগী হকচাংথোংদগী ফিঙৌ চৎপা, ফিগানা মেনবা ঙমদবা কা হেন্না চৎপা, থাগী খোংকাপ কাইবা, চনিং মখাদা চিকপা নাবা, পুক্লিং হকচাং চোকথবা, অঙাংখাও পোমথোকপা, ব্লিদিং তৌবা, ফিঙৌদু ঙৌরোক ঙৌদ্রবা, উৎমানবা, নাপু, অশংবা, কোনা মচু, কোলহিং মচু, নংনা ঙৌবা, হাকৎচবা, ঈদৌনা চৎপা, ঙৌনা চৎলগা খ্বাং নাবা, মুরৈনবা, মনম নমথিবা, কুইথরকপদগী অমাংথোং-ঈশিংথোং, অনীমক্তা চৎপা, থাগী খোংকাপ হেনজন্না চৎপা, হকচাংথোং মনুং মপান হাকৎচবা, মীরোল্লিঙৈদা ফিঙৌ কা হেন্না চৎপদগী কুচু তাইফেৎ তাইবা, ঈ থাংদবা, কেলসিয়ম ৱাৎপা, হকচাংগী অরুম্বা হন্থরকপা, ঈশিং চৎপদা চিকপা-শাবা, অশিনবা কাবা, পুক ৱাইচিনবা, ওনিংবা, চানিং-থক্লিংদবা, কোক ঙাওগনবা, নুংশুক-নুংজানবা, পূম্নমক পূংফ-ফহন্নবা (Total Cure) নোংমগী LUCOBAN-S Capsule অহুম্লক অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাংদা কেপসুল অমমম নুমিৎ কুন্থ্রানি লেপ্তুনা চারবদি চপ চানা কান্নহল্লি। LUCOBAN -S Capsule ফারমাসিদগী ফংবীগনি।

### CBSE/COUNCIL STUDY CENTRE

CSC

(Affiliated to CBSC, Delhi & COHSEM)
Chingmeirong (Khongnang Ani Karak), Imphal

**ADMISSION OPEN**

1. CBSE Regular Class -IX, XI, XII (Science/Arts)
2. COHSEM Regular Class - XI (Science/Arts)

A. CBSE Foundation Course Class -XI, XII (Science) in 3/5 Month
B. Board/Council Foundation Course Class -IX, X, XI, XII (Science) in 3/5 months

* Class Commencement - **2nd Aug. 2010 during 5.30 a.m. to 9.30 a.m.**

**** Facilities :-*** (i) ST/SC/OBC/Merit Scholarship, (ii) Boarding (Boys & Girls), (iii) Experienced Lecturers.

Pk/79751/26,28,30 — Sd/- Controller of Studies

### মীওইবগী পুন্সি শাংদোকহল্লি

**SLIMME**

**COMPLETE BODY TRANQUILLISER (NO EXERCISE : NO DIET CONTROL)**

প্রোটিনগী চাং খেন্নবদগী ঈশিংগী শরুক হেঙ্গত্তুনা হকচাং কামখৎপা, লূম্বা (Over Weight) মায় হাগৎপা, পুক থোনবা Blood Pressure লৈবা ফহন্নবা Diet Control তৌবা Exercise তৌবা , অইং-অশা মরক্তা Walking চৎপা দরকার ওইদ্রে।

অয়ূক নুংমিদাংগী চাকচামাং পূংখাই অমা ৱাৎলিঙৈদা Slimme Capsule নোংমদা অনীরক নুমিৎ নিফুনিখক চারগা, নুপা-নুপী, নহা-অহল খুদিংমক্কী শাবান চপ চাহল্লি। হকচাং কলহল্লি, নহা ওইথোকহল্লি, কুচু থোকহল্লি। Slimme Capsule ফার্মাসিশিংদগী ফংবীগনি।

**IDEAL FOR GIRLS *(NO SIDE EFFECTS)***

### CENTRAL ACADEMY

**Affiliated to CBSE, Delhi, S/No 31016,**
**Mantripukhri (Chumbreithong)**

**ADMISSION NOTICE**

**CLASSES - IX, XI, XII (SCIENCE/ARTS)**
**For the session 2010-2011**

Facilities :- 1. ST/SC/OBC/MERIT SCHOLARSHIP,
2. Boys & Girls (Hostel), 3. Experienced Lecturers,
4. Well Equipped Labs.

* Best Performance of AISSCE, 2010
I Divn = 292 Students, II Divn = 54 Students

Pk/79790/28,30,1st — Sd/- **Dr. I.S.**,Principal

### তেক্ত-কায়দবা হোমিওপেথিক হিদাক - সাইদ ইফেক লৈতে

**পাইললেক্স**

**নুংশঙগী হিদাক মহি**

**নুংশঙগীদমক আর ই পি এল না পুথোকপা হিদাক**



শীজিন্নদ্রিঙৈদা নিংথীনা নিকপীয়ু

পাইললেক্স ঃ নুংশঙগী চৈনা হন্থহল্লি।
পাইললেক্স ঃ নুংশঙদগী ঈ থোকপা হন্থহল্লি।
পাইললেক্স ঃ অমাঙথোঙগী অকোয়বদা পাৎপগী চাং হন্থহল্লি।
পাইললেক্স ঃ নুংশঙগা মরী লৈননা য়াম্না কন্না হাকচ্চবা হন্থহল্লি।
পাইললেক্স ঃ নুংশঙগা মরী লৈননা খোঙ হাম্বা য়াদববু চাং নাইহল্লি।
পাইললেক্স ঃ নুংশঙগা পুন্না কক-কক থিন্দুনা নাবা হন্থহল্লি।
পাইললেক্স ঃ নুংশঙগা মরী লৈননা খ্বাং নাবগী চাং হন্থহল্লি।

হিদাক্কী দোজ ঃ ঈশিং কপ ক্বারটর অমদা দ্রোপ ১৫দগী ২০ ফাওবা থাদরবা মতুংদা নোংমদা অহুম্লক থকপীয়ু নত্তগনা ফিজিসিয়ান্না হায়বা মওংদা শীজিন্নবীয়ু।

কোর্সকী মতম ঃ চয়োল ৮দগী ১০ফাওবা — PBL/001/20 Nov. to 19th Dec.

**ষ্টোকিষ্ট ঃ রাজাষ্টান হোমিও ফারমাসি এন্দ ক্লিনিক**
থাঙ্গাল বাজার, ইম্ফাল, ফোন ঃ ২২২৮৮৪৭

### DIRECT ADMISSION 2010-11

**At - ANDHRA PRADESH - KARNATAKA - TAMILNADU**

BDS. Rs. 6 Lac (P) BSc (N) Rs 35000/GNM 17000/- BPT Rs. 30000/ B.Sc. MLT Rs. 21,500/MCA 30000/Hotel Management Rs. 16000/30000/ 50000 fee. Early admission less fare Air and Train.

Pk/79220/25x9days alt — *Contact* - **R.K. Book House,** Pologround Maning, Paona Bazar, Imphal # 9774232108

### NAVODAYA চঙনবগী কোচিং

চহী খুদিংগী চৎথজরকপগুম হন্দক্কী চহীগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ত খুদিংগী Navodaya VI চঙনবগী কোচিং চৎলিবা আগষ্ট তাং ২ দগী হৌজরগনি। চঙহনবীনিংবা লৈরগদি য়াম্না থুনা মীং চনবীরবা য়াগনি। হন্দক্কী পরিক্ষাদা ৭৫% পাস তৌই। অকুপ্পা মরোল ওফিসতগী খঙবীবা য়াগনি। নভোদয়া অমসুং স্কুলগী লাইরিক পুন্না তমজগনি। বোর্দিংগী খুদোংচাবা লৈ।

*Please contact* **:- Oja Surendro, M.A., B.Ed., Principal Navodaya Coaching Centre, Khurai Lamlong Thongkhong**
**Office Hours - 5.30 a.m. to 5.00 p.m.**

**Class Hour : Any Time.** — Pk/79796/28,30,31st

### Indian Army অমসুং Gurkha গী প্রি ট্রেনিং

আগষ্ট ১৮ অমদি ২৮ দা ইন্দিয়ান আর্মি অমসুং গুরখা রেজিমেন্টকী রিক্রুইটমেন্ট তৌগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা অখন্নবা প্রি-ট্রেনিং অমা হৌরগনি। ট্রেনিং অসিদা ফিজিকেল, মেদিকেল অমদি রিটন টেষ্টকী তোঙান-তোঙানবা ক্লাস লৈগনি। লোয়ননা সেলেক্সনগী খুদোংচাননবা ট্রেনিং সার্টিফিকেটসু পীজগনি। খুদোংচাবশিং অসি ফংনীংবা ছাত্রশিংনা ওফিস্তা লাকপীরগা অকুপ্পা মরোল খঙবীয়ু।

*Last date of Registration - **2nd August, 2010***

Pre-Training Centre - **National Defence Service Academy** Porompat, Imphal # 9862067802/8014392720

Pk/79793-B/28&30th

### COMPARTMENTAL SPECIAL ADMISSION OPEN XI ARTS

***MANIPUR SCHOOL OF SOCIAL SCIENCES***

*Changangei Ucheckon Airport Road, Imphal*

**Last call for limited seat @ Rs. 1100/- only for admission fee**

Last date of admission - **2nd August, 2010**

***Hostel Facility Available.***

*For details, contact -*

**PRINCIPAL, MSS**
**# 9856183317**

Pk/79858/30th

### LAND & PROPERTIES OWNERS' ASSN.

**IJ Road NH-53, Senapati & Tamenglong Dists, Manipur**

**MEETING CIRCULAR**

*28th July, 2010*

In confusion of NH-53, regarding work implementing agency in between PWD Govt. of Manipur and 83 Road Construction Company BRTF (GREF) C/o 99 APO under BRO, all the village Authority Chairmen/ Secretaries, Landowners, Public Leaders, Organisation leaders & NGOs are requested to turn up on 3rd August, 2010 at Khumji Community Hall, Khumji, near Noney Bazar at 11.00 a.m. to take definite decision of the people without fail.

Pk/79878/30th — Sd/- 1. PG. Pouthaogai, President 2. SK. Adipou, Secy,

### হুই অমা চঙলক্তুনা লৈরে

তাং ২৭।৭।২০১০ ইংগী অয়ূক্তা হুই অমা চংলক্তুনা লৈরে। মপুনা মতিক চাবা প্রমাণ অমদি প্রেসকী চার্জ পীবিরগা তাং ২।৮।২০১০ ইং, ফাওবদা মখাদা পীজরিবা লৈফম অসিদগী লৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Pk/79861/30th — Sd/- **Sarangthem Ibetombi,** Malom Bazar

### ADMIT CARD LOST

I have lost my original Admit Card of Higher Secondary Examination 2008, bearing Roll No. 12712, issued by the Council of Higher Sec. Edn., Manipur on the area of Lamlong Bazar on 26th July, 2010. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Nongmaithem Ranjita Chanu,
D/o N. Rajamani Singh, Khurai Kongpal Sajor Leikai, I/E,
Pk/79851/30th — # 9615009241/9774755296

### Alto অমা য়োঞ্জরি

করিগুম্বা অচিনবা অমগীদমক্তা Alto Lxi2007 গী Eastern Motors দগী লৈজবা অমা য়োঞ্জরি।

পাম্বীবশিংনা ফোন নম্বর ৯৮৬২৭৫৮৩১৫ অসিদা কন্তেক তৌবীরকউ।

পিকে/৭৯৮৫৬/৩০

### অৱাবা ফোঙদোকচবা

চিঙখুলোং থৌবৈগী মরুওইবা থৌদাং লৌবীরম্বা শ্রীকামৈ মাঙাল কবুই হৌখিবা তাং ২৭।৭।২০১০ ইং, লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ঐখোয় খ্বাই খিবিকপু থাদোক্লম্লগা মপুগী খুয়া তানখ্রে। মহাক মশাগী চহী ৭৫ শুখ্রে। মহাক্লা লৈখিদবদা চিঙখুলোং থৌবৈনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- Secretary, Chingkhulong Kabui Village Thoubei (Pei)
Pk/79859/30th — Lamdeng Khunou

### Requisite Qualification Scale ফংখ্রবা ওজাশিংগী মীফম

মেট্রিকুলেট টিচর ওইনা এপোইন্টমেন্ট ফংখ্রবা অদুগা অমুক দিরেক্টোরেট ওফ এদুকেসন (এস) কী ওর্দর অমনা অমুক Requisite Qualification Scale হায়বা ওর্দর থোক্তুনা অন্দর গ্রেজুএট/প্রাইমারি টিচর অমগুম্না পে স্কেল ফঙলবা অমদি গ্রেজুএট পোষ্ট ফঙখ্রবা অমসুং হয়ার পোষ্ট পায়দুনা ইদুকেসন (এস) তা ওজা ওইবিরিবা অমদি থবক তৌবীরিবশিংনা পেন্সন চৎলবা মতমদা এ.জি. অমসুং ফাইনান্সকী অথিংবনা মরম ওইদুনা অচৌবা শেনফম ককহৌবগী অৱাবা খুদোংথিবা থোক্তনবা হায়দুনা হৌজিক হৌজিক প্রোসেস তৌরিবা অসিগী দিভলপমেন্টশিংগী মরমদা খন্ন-নৈনবগী ওইবা স্পিসিএল জেনরেল বোদি মিতিং অমা তাং ২।৮।২০১০ ইং, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পূং ১১ তাবা মতমদা ভৈরোদান মেক্সৱেল হিন্দী প্রাইমারী স্কুল, চেম্বর ওফ কর্ম্মচ হোস্পিতালগী মায়োক্লবদা পাঙথোকচগনি। মীফম অসিবু ওজাশিংনা শরুক য়াবীরনবা নীংশিংজরি।

*Convenor* - **1. K. Lalit Singh, 2. S. Shantakumar Singh, Requisite Qualification Scale & Promotion Demand Committee.**

Pk/79852/30&31st — Sd/- **Ch. Santakumar Singh,** Gen. Secy., AMESTA, H/O Chairman, Requisite Qualification Scale & Promotion Demand Committee

### SENIOR EMPLOYEES WELFARE ASSOCIATION KAKCHING KHUNOU COLLEGE

**মীয়ামদা SEWA গী আপিল**

Kakching Khunou College গী Senior Employees Welfare Association গী জেনরেল বোদি মিতিং অমা তাং ২৭।৭।২০১০ ইং, লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোক্তুনা মখাগী মীওইশিং অসি নৌনা থৌ পুনবা খনখ্রে।

1. Ningthou Naoria - President,
2. N. Jibanchandra - Secretary, 3. N. Saratchandra - Cashier

ককচিং খুনৌ কলেজ অসি চহী ৩০ গী মমাঙদগী মণিপুরগী খা মায়কৈদা হয়ার এদুকেসন পীদুনা লাক্লি। অদুবু মতম শাঙনা কলেজ অসিগী রিগুলর গোভর্নিং বোদি অমা শেমদবনা কলেজগী মতম মতমগী চাউখৎ-থৌরাং কয়াদা অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লি। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা ইমপ্লোইশিং অমদি মীয়ামগী স্বার্থদা থবক তৌবীগদবা রিগুলর গোভর্নিং বোদি অমা শেম্বীনবা খঙহঞ্জরি। লোয়ননা সিভিল সোসাইতি, এন. জি. ও. অমদি লনাই সংস্থান খুদিংমক্লা মীয়াম পূম্নমক্কী য়েংবীরগা রিগুলর গোভর্নিং বোদি অমা লৈহন্নবা হোৎনবীয়ু অমদি য়েৎনবা পূম্নমক থাদোপীদুনা অঙন্বা মতেং পাঙবীনবা হায়না ঙসিগী জেনরেল বোদি মীফম্না মীয়ামগী মফমদা নেল্লুকচরি।

Pk/79850/30&31st — Sd/- **N. Jibanchandra,** Secretary

### CRPF, SSB, ITBP, Gurkha & Indian Army Recruitment Rally গীদমক্তা প্রি-ট্রেনিং হৌজরে

CRPF -Driver -Dimapur SSB- Kolkata, ITBP-Shillong Gurkha - Shillong Indian Army-Tripura হায়রিবা মফমশিং অসিদা তৌগদবা রিক্রুইটমেন্ট রেল্লিগীদমক্তা প্রি-ট্রেনিং হৌজরে। মসিদা য়াওবীনিংবা কেন্দিদেটশিংনা অথুবা মতমদা লাকপীবা য়ারগনি।

**Last date of form submission -01-08-2010.**

*Pliz details contact* - **National Active Service Academy (NASA)** Kwakeithel Bazar, Opp. Urban Co-Operative Bank-01

Pk/79865/30th — # 9856992155/9856769688/8974219569

### EMPLOYMENT NOTIFICATION

| Sl. | Name of Post | Seat | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | B.Sc. (Nursing) | 18 | B.Sc. Nursing | 9000/- |
| 2. | GNM | 20 | GNM Nurse | 9000/- |
| 3. | ANM (Nurse) | 13 | ANM Nurse | 6000/- |
| 4. | Medical Officer (M.D.) | 16 | MBBS Nurse | 25000/- |
| 5. | Pharmacist | 08 | B/D Pharm | 8000/- |
| 6. | Security Officer | 27 | 10+2 | 7000/- |
| 7. | Security Guard | 50 | 10&VIII(X-VIII) | 5000/- |

**Last date of application form submission - 2nd August, 2010.**
*Date of Interview* - **3rd August, 2010**

Pliz details contact - **National Active Service Academy (NASA)** Kwakeithel Bazar, Opp. Urban Co-operative Bank -01

Pk/79865-A/30th — # 9856769688/8974219569

### St. Paul English School

*Nongmeibung Ayangpalli Road, I/E*

**TEACHERS REQUIRED FOR ENGLILSH AND SCIENCES**

*Essential Qualifications* **: B.A./B.Sc/M.A./M.Sc.**

In the concerned subjects. Ability to teach upto class -X. Fluency in English. Willing candidates may apply to the office of the Principal on or before 5th August, 2010 between 10 a.m. to 2 p.m.

**PAY - NEGOTIABLE.**

Pk/79867/30&1st — Sd/- **Principal**

### KIME

Pk/79615/21,26,28,29,30,31,13,17,20